# থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী পোল্লিং ষ্টেসন খরা মীখল হন্না পাঙথোক্লকবা য়াই



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭(ঐচএনএস): মঙাশুবা জেনরেল পঞ্চায়ট ইলেক্সন থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙসি অশোয়-অঙাম য়াওদনা পাঙথোকখ্রে। মীয়াম্না ঈংনা-তপ্না ভোট থাদনখি অমসুং পোল্লিং ষ্টেসন খরদা ঈরাং থোকপদগী থা অসিগী ৯দা ভোট অমুক হন্না থাদনগদৌরি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লিলোং অমসুং থৌবালগী তোঙান তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৮দগী ভোটরশিংনা থোরক্তুনা ভোট থাদনখি। অদুমকপু পোল্লিং ষ্টেসন খরদা প্রোক্সি ভোট তৌনরে হায়দুনা ঈরাং মচা মচা খরা থোকখি। ঈরাংশিং অদু অহেনবা পুলিস চঙশিন্দুনা কন্ট্রোল তৌরগা অমুক হন্না ভোট থাদনখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী থৌবাল ব্লোক্তা পোল্লিং ষ্টেসন তরুক অমদি লিলোং ব্লোক্কী পোল্লিং ষ্টেসন মরিদা ভোট অমুক হল্লবা য়াই হায়রি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী রিপোল তৌরবা য়াই হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদি ৩৫-সঙ্গাইয়ুম্ফমগী ৮/২০ অমসুং ৮/১১নি।

লিলোং ব্লোক্কী রিপোল তৌরবা য়াই হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসন অদুনা ২/৩/১৬ ইরোং, থোকচোম, মোইরাং শেঙ্গোম এল পি স্কুলনি। মফম অসিদা পোল্লিং পার্সনেল অনীসু মীয়াম্না ফুরকপদগী শোক্লে হায়রি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ককচীং অমদি ৱাইখোং এস দি ওগী মখাদা পোল্লিং ষ্টেসন ১৬৯দা ভোটর ৬৫,২৭১না ভোট থাদনখি। মীখল অসিদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা জিলা পরিষদ তরুক, গ্রাম পঞ্চায়ট ১৫ লৈরি। জিলা পরিষদ তরুক্কীদমক মীরেপ ১৬ অদুগা গ্রাম পঞ্চায়ট ১৫গীদমক মীরেপ ৩১না লম্বা তৌনরি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ঙাইহাক্কী উংখৎনবা নত্তনা কা হেন্না ঈরাং থোকখিবগী পাউ ফংদে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অপুনবা ওইনা চাদা ৯০গী চাংদা ভোট থানখি হায়রি।

# মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা নোর্থ ইষ্ট লেবর মিনিষ্টরশিংগী রিজনেল মিটিং পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭(ঐচএনএস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অমত্তা ওইবা খোঙজংগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্বু তোঙান্না তাহনবগুম্না উহল্লিবসি কোকহনগদবনি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী লেবর মিনিষ্টরশিং অমদি ওফিসলশিংগী রিজনেল কনফরেন্স অমা ঙসি হোটেল ক্লাস্কিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবদা চীফ মিনিষ্টর বিরেননা হায়খি, লৈবাক অসিগী সিটিজেনশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্কী থৌদাংনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সবকা সাথ সবকা বিকাশ হায়বা প্রোগ্রাম পায়খৎলিবা অদুগী মতাংদা পল্লদুনা হায়খি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ইহান হান্না মীওইবগী চাউখৎ থৌরাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙগদবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, সেন্টরনা লমদম অসিগী মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাং হান্না পায়খৎনবা পান্দম থম্লি অমদি মীয়াম্ন সু মপুং ফানা চাউখৎনবা হোৎনবদা মায় ওনশিনগদবনি। ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা শরুকশিংদা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়াম্বু অৱা-অনা নংহনবা অমসুং তুহৎপীবগী থৌওং অসি লোইশিন্নবা তঙাইফদবা অদু শুগাইনা হায়খি।

অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামগী হৈথোই শীংথোইবা অমসুং মশা মশাদা য়াওরিবা গুন কয়া অদুগী মরমদা পল্লদুনা মণিপুরগী মীয়াম অসি অতৈ ষ্টেটকী মীশিংগী য়েংনবদা স্পোর্টসকী লমদা পার কেপিটা ইনকম য়াম্না ৱাংনা লৈরি অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিদা ওফিসার মশীং য়াম্না পুথোকপা ষ্টেট অমসু ওইরি। অসিগুম্বা কনফরেন্স অমসুং রিভিয়ু মিটিং অসি য়াম্না তোয়না মতুংদা পাঙথোকপা ফগনি। মসিনা লমদম অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা মেন পাৱর স্কিল হেন্না পুথোকপা ঙমগনি।

ষ্টেট লেবেল স্কিল দিভলপমেন্ট মিসন হৌদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী স্কিল দিভলপমেন্টকীদমক্তা লৌখৎপা য়াবা মরী লৈনবা এক্সন প্লানশিং শেমগৎলোইশিনক্লে। মসিনা ইমপ্লোয়মেন্ট, হাউসিং অমসুং থক্কবা ঈশিং লাক্লিবা কুমজা ২০২২ ফাওবদা মপুং ফানা ফংহন্নবা থবক লৌখৎলি।

ষ্টেট অসিগী ওইনা কম্প্যুটর হার্দৱায়র টেক্নোলোজি, রিটেল মেনেজমেন্ট, হোষ্টপিটি, টুরিজম অমদি ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী লমদা নহাশিংবু স্কিল দিভলপমেন্ট ফংহন্নবা কোলেজ ৪০দা ভোকেসনেল ট্রেনিং কোর্স পাঙথোকখ্রে।

লৈঙাক্লা কুমজা ২০২২ ফাওবদা মীওই লাখ ৭.৫০ থবক পীনবা মহাক্কী গবর্ণমেন্টনা পান্দম থম্লি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মখা তানা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট সন্তোশ গংগ্বারনা হায়খি, লৈবাক অসি মপুং ফানা চাউখৎপা অমদি খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্নবা অৱাং নোংপোক লমদমদা হেন্না চাউখৎহন্নবা সেন্টরনা মীৎয়েং থম্লি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা মণিপুরগী লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, লৈবাক অসিগী লেবর ফোর্স অসি খুন্নাই অসিগী মরুওইবা শরুক অমনি। মখোয় অসি মরুওই হায়না খনবদা সেন্ট্রেল সোসিও সিক্যুরিটি স্কিম কয়া পায়খৎতুনা মখোয়গী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনরি।

বি আর টি এফ/বি আর ওনা ষ্টেট অসিদা লম্বী শেম্বগী থবক শুরিবা অসিদা অঙাংশিংবু শিন্মী ওইনা য়াওহল্লি হায়বা রিপোর্ট অদুবু নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা হায়খি, অসিগুম্বা থৌওং অসি লেপহন্নবা মহাক্লা মীৎয়েং চঙলগনি।

কনফরেন্স অদুদা শরুক য়ারিবা অখণ্ড অহৈশিং, অনওর্গনাইজেসন ৱার্করশিংগী য়াইফনবগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা অমসুং সোসল সিক্যুরিটি স্কিমশিং অমদি মহৈ-মরোং থারিবা শিন্মীশিংগী খুদোংচাদবশিং অমদি চাইল্ড লেবরগী মরমদা ৱা ঙাঙখি।

অসামগী লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর পলপ লোচান্দাস, নাগালেন্দগী সেক্রেটরি ফোর পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট ডা. নৈফ্রেজো কেদিতসু, য়ুনিয়ন লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট সেক্রেটরি এম সাথিয়াবাথি, ফাইনান্সল এদভাইজর অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টকী এদিসনেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরিবা অরুন গোয়ল, ফাইনান্সল এদভাইজরশিং অমদি এদিসনেল সেক্রেটরিশিংসু অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াখি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭(ঐচএনএস): ইন্দো-ম্যান্মার এসোসিএসনগী লাইফ মেম্বর ওইরম্বা ক্বাকৈথেল ময়াইকোয়বী নিংথৌজম লৈকায়দগী নিংথৌজম যোদির (নিমাই)না হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৫দা লৈখিদবদা ইন্দো-ম্যান্মার এসোসিএসন্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি। এসোসিএসন অসিগী থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়ারম্বা মেম্বর অসিনা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি। ঙসি পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অদুনা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## এমসুনা গভর্ণমেন্টতা পুং ২৪গী মতম থাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭(ঐচএনএস): মণিপুর পব্লিক সার্বিস কন্মিসন (এম পি এস সী)না কুমজা ২০১৫দা ট্রাইবেল রিসার্চ ইন্সটিট্যুটকী দেপ্যুটি দিরেক্টরগী পোষ্টকীদমক খনখিবা এন জি পিকেশ্বরবু কন্মিস্নার টি পামৈনা মরী লৈনদবা অমসুং শুংলৈ লৈতবা চে-চাং খরদা য়ুম্ফম ওইরগা কুমজা ২০১৭কী ওগষ্ট ১দা এপোইন্টমেন্ট পীবা ঙম্লরোই হায়না ওর্দর অমা থোকখি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না ফোঙদোরক্লি।

এমসু হেদক্বার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোসন গোলমৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অরানবা অসি চুমথোক্তুনা এন জি পিকেশ্বরদা অথুবদা এপোইন্টমেন্ট পীগদবনি হায়না এমসুনা গভর্ণমেন্টতা মতম থারকপবু গভর্ণমেন্টনা তাশিন উশিন্নদনা হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোক্তবা অসি লাইবক থীবনি। গভর্ণমেন্টকী থৌওং অসি পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনবা ওইনা টি আর আই ওফিস ছো লোনশিনখ্রে।

চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, কন্মিস্নার টি পামৈনা মহাক্কী ওর্দরদা পল্লিবা কুমজা ২০১৪গী জুন ১০দা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিদগী দেপ্যুটি দিরেক্টর টি আর আইগী রিক্রুটমেন্ট রুল শেমদোকউ হায়না চে লাকই হায়রিবা অসি অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি। মসিগী মতাংদা দেপ্যুটি দিরেক্টর টি আর আই ওইনা খল্লবা কেন্দিদেট মশানা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফেয়র্স ন্যু দিল্লিদা আর টি আইগী খুথাংদা হংখি। পাউখুম ওইনা কুমজা ২০১৪গী জুন ১০গী লেট্টর অদুদা শুপ্নতগী স্কিম অমখক্কী ফন্দ স্যের তৌবগী ওপরেসনেল গাইদ লাইন্সনি, আর আরগা মরী লৈনদে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিদগী ফোঙদোরকখি।

টি পামৈনা এম পি এস সীনা খল্লবা কেন্দিদেটতা এপোইন্টমেন্ট পীদনবা হোৎনবনি। অতোপ্পা মীওই মাগী মরী মতা ওইরিবা মীওই অমা হাপচিন্নবা হোৎনবনি হায়বসি এমসুনা চপ চানা খঙই হায়রি। মসিগী চপ চাবা ইভিদেন্স পূন্নমক এমসুদা লৈ।

মসিদা নত্তনা টি পামৈনা চীফ মিনিষ্টরদা মরাল থংজিন্দুনা কুমজা ২০১৪গী জুন ১০দা অরানবা তমশিন্দুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিদগী দেপ্যুটি দিরেক্টর টি আর আইগী আর আর শেমদোকউ হায়দুনা চে লাকই হায়দুনা এসেমব্লিগী ফ্লোরদা চীফ মিনিষ্টর ফাওবা ওইদবা ঙাঙহনখি হায়না মরাল শীরক্লি। মরম অদুনা কন্মিস্নার অসিগী মথক্তা খুদক্তা এক্সন লৌগদবনি অমসুং পুং ২৪গী মনুংদা এম পি এস সীনা খল্লবা কেন্দিদেট এন জি পিকেশ্বরদা এপোইন্টমেন্ট পীদ্রবদি এমসুনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## জীরিদা চাদা ৮১গী চাংদা ভোট থাদনখি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭(ঐচএনএস): মঙাশুবা জেনরেল পঞ্চায়ট ইলেক্সন-২০১৭তা জীরিবামদা ঈংনা-তপ্না ভোটরশিংনা পোলিং ষ্টেসন ৪৭তা ভোট থাদনখি।

জীরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা পুন্না পঞ্চায়ট তরুক লৈরিবা অসিগী পোলিং ষ্টেসন ১/২/১, ১/২/২, ১/১/২, ১/১/৩, ১/১/৫ অমসুং ১/১/৬তা ৱিমন পোলিং ওফিসলশিংনা অহানবা ওইনা জীরিবাম পঞ্চায়ট ইলেক্সন্দা মথৌ পাঙথোকখি।

লালপানি পার্ট-১গী পোলিং ষ্টেসন ১/৩/৪দা চাদা ৯৫.২৮গী চাংদা খ্বাইদগী ৱাংনা ভোট থাদখি। পুন্না ভোটর ২৯৭ লৈবদা ভোটর ২৮৩না ভোট থাদখি। গৌখালগী ২/৬/১দা খ্বাইদগী নেম্না চাদা ৬৮.৬৬কী চাংদা ভোট থাদখি। পুন্না ভোটর ৪৫০ লৈবদা ভোটর ৩০৯দা ভোট থাদখি হায়রি।

## অৱাং নোংপোক লমদমদা নোংজুগী চাং হন্থরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭(ঐচএনএস): অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা শরুক নোং লেপ্তুনা চুখিবা অমসুং ঈশিং ঈচাউনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা মতুংদা নোংজুগী চাংদা অহোংবা লাক্লে। মরুওইনা অসামদা চহী অসিগী সাউথ ৱেষ্ট মোন্সুন মনুংদা হন্না হন্না ঈচাউ থোক্তুনা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মঙাগী মীওই ৭২,০০০ রোম অৱা-অনা নংহনখি। অদুম ওইনমক হৌজিক্তি অসাম অমসুং নক্লবা মফমশিংদা নোংজুগী চাং শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা হন্থরক্লে।

হৌখিবা পুং ২৪দা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মফম খরদা ময়াই ওইরপ নোং চুখিবা নত্তনা নোং মপুং ফানা চুবা হায়বদু ওইখিদ্রে। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া অতোপ্পা মফমগা য়েংনবদা নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম অমদি ত্রিপুরাগী মফমশিংদা হেন্না নোং চুখি। হৌখিবা শগোনশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮.৩০দগী পুং ২৪ ফাওবদা লেংপুইদা নোংজুগী চাং এম এম ২০, কোহিমাদা এম এম ৫ অমসুং অগর্টালাদা এম এম ১৪ ওইখি। অদুম ওইনমক অসাম, মেঘালয়া অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মফম খরদা নোং খরা খিকখিবগী রিপোর্ট ফংখি।

অতোপ্পা মফমশিংদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটতা নোং চুবগী রেকোর্দ লৈখিদে। ইষ্টর্ন সেন্টর বে ওফ বেঙ্গলদা সাইক্লোনিক সার্ক্যুলেসন লৈখিবনা নোং খরা খিকখিবনি। মরুওইনা খা অমসুং খা নোংপোক থংবা মায়কৈদগী নুংশিৎ শিৎলকপনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা নোং খরা খিকখিবনি। হায়রিবা ৱেদর সিষ্টেম অসিগী মহয়না নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাদা নোংজুগী অহোংবা লৈগনি অমদি লাক্লিবা পুং ২৪ অসিদা ময়াই ওইবগী চাং ফাওবা নোং চুরবা য়াই।

স্কাইনেট ৱেদরমেনগী মতুং ইন্না অসাম, মেঘালয়া অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

মরক অসিদা শাবগী চাং অসি খ্বাইদগী ৱাংলবদা সেলসিয়স দিগ্রী ৩৩দগী ৩৫ ফাওবা অমদি ঈংবগী চাংনা সেলসিয়স ২৬তগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা লৈগনি। নুমিৎয়ুংবা মতুংদা হেন্না শাবা অমদি হ্যুমিদিটি ৱাংনা লৈগনি অমসুং মহৌশাগুম্না অয়ুক অমসুং অহিংদদি শাবগী চাং হন্থগনি হায়রি।

থা অসিগী ৫দা সব-দিভিজনেল রেনফোল দিষ্ট্রিব্যুসন ষ্টেটেটিক্সনা উৎলিবসি অসাম, মেঘালয়া অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা চাদা ১৫, চাদা ১৪ অমসুং চাদা ৬৪গী চাংদা অহেনবা নোং চুখি। অমরোমদা নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরা রিজন্দা চাদা ৪৪গী চাংদা ৱাৎনা নোং চুৎখি হায়রি।

## লাইয়েকপা চাংদম্নবা য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭(ঐচএনএস): লায়ন্স ক্লব ইম্ফাল সেন্টরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৮গী অয়ুক পুং ৮দগী ১০ ফাওবা ন্যু চেক্কোন্দা লৈবা ব্রাইটর একাদেমিদা দি ফ্যুচর এফ পিছ হায়বা থিমদা লাইয়েকপা চাংদম্নবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু লাক্লিবা ওক্টোবর ২২দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

কুমজা ২০০৩গী নবেম্বর ১৬তগী কুমজা ২০০৬কী নবেম্বর ১৫ ফাওবগী পোকপা মহৈরোয়শিংনা লাইয়েকপা চাংদম্না অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। অহানবদগী অহুমশুবা ফাওবা মকোক মথং তারবা মহৈরোয়শিংদা শেলগী মনা লুপা ২০০০, লুপা ১৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ লোয়ননা মরিশুবদগী ১০শুবা ফাওবগী ওইনা লুপা ৫০০ মেরিট সার্টিফিকেটকা লোয়নবা প্রাইজ পীগনি।

অহানবদগী ১০শুবা ফাওবা তারক্লবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফজবা লাইয়েকপা অদু মালেমগী ওইনা লাইয়েকপা চাংদম্নবদা থাগনি। মদুদা মায় পাক্লবদি য়ু এস দোলর ৫০০০গী মনা অমসুং অতোপ্পা মেরিট এৱার্দ ২৩সু পীগনি। মদুদা শেলগী মনা য়ু এস দোর ৫০০ অমসুং সার্টিফিকেটশিং পীগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# স্কাই হোস্পিটালনা অঙাং কয়াগী লেম্না হার্ট হোবা মেনবগী ওপরেসন মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): স্কাই হোস্পিটাল ইম্ফাল ৱেষ্টনা চহী অসিগী মেদগী সেপ্টেম্বর ফাওবগী মনুংদা হার্ট হোবা মেনশিনবগী ফ্রী ওপরেসন অঙাং মাপন্দা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ সেন্টর প্রাইভেট লিমিটেদকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা রিমস রোদতা লৈবা স্কাই হোস্পিটালনা অসিগুম্বা লেম্না হার্ট হোবা মেনবগী ওপরেসনশিং অসি রাষ্ট্রিয়া বাল স্বাছতা কার্য্যাকরম (আর বি এস কে), নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী মখাদা চহী ১৮গী মখাদা লৈবা পোকপদগী হার্ট হোরক্লবা অঙাংশিং অদুদা পাঙথোকখিবনি।

হোস্পিটাল অসিগী চ্যেরমেন অমসুং চীফ কার্দিওলোজিষ্ট ডা. এল শ্যামকিশ্বরনা হায়খি, পেসেন্ট অয়াম্বা ঙল্লিঙৈ মতমদা লায়েংহৌদ্রবদি হিংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা মপুং ফানা লায়েংবগী তঙাইফদবা লৈ। ফ্রী চিলদ্রেন হার্ট ও পি দি অমসুং ইকো কার্দিওগ্রাফি সার্বিস শগোনশেল নুমিৎ খুদিংগী স্কাই হোস্পিটালদা পাঙথোক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মসিনা য়াম্না ঙল্লিঙৈদা অসিগুম্বা হার্ট হোদুনা পোক্লকপা অঙাংশিং অসি চপ চাবা মতমদা লায়েংহৌনবা পাউতাক পীবনি। খুদোংচাবা অসি লৌহৌনবগীদমক মমা-মপা ওইবশিংনা দিষ্ট্রিক্ট আর বি এস কে টিম নৎত্রগা স্কাই হোস্পিটালগী পব্লিক রিলেন্সন্স ওফিসারগা মাঙজৌননা কন্টেক্ট তৌবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা থা ৫গী মনুংদা স্কাই হোস্পিটালদা হার্ট হোবা মেনবগী ওপরেসন লেম্না তৌবগী খুদোংচাবা ফংখ্রবা অঙাংশিং অদুদি তাকয়েল খোংবাল ময়াই লৈকায়দগী দল্লিয়ু মালেশ্বরী (১৭) অপোকপগী মিং দল্লিয়ু তেজমণি, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট চালবুং ভীলেজদগী মাংথেনলাল গুইতে (১১) অপোকপগী মিং চুংমাইথাং, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক্তুগী এম সিলভিয়া চনু (২) অপোকপগী মিং এম ওকেন, নাগামপালদগী কে লিংজেললৈবী চনু (৯) অপোকপগী মিং কে তোনু, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোলকান ভীলেজদগী কিমনৈহোই (১০) অপোকপগী মিং লেখোলাল, খুরাইদগী কৈশাম নির্বাস (৭) অপোকপগী মিং কে তোয়োতা, ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়দগী ঐচ পূন্সিবা (৬) অপোকপগী মিং ঐচ হেরামোত, থৌবাল নিংঙোম্থমদগী বেবি তানিয়া (২) অপোকপগী মিং ও তোম্বা অমসুং থৌবাল অথোকপমদগী তুরেশ্বর (৫) অপোকপগী মিং এম বোইনাওনি হায়রি।

হায়রিবা অঙাংশিং অদু মহৌশাগী পূন্সিদা হঞ্জিল্লকপা ঙমখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সেরোং ভেংদা ৱিভিং সেন্টর হাংদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭(ঐচএনএস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৬শুবা সেক্টর অসাম রাইফলসকী ১১শুবা এ আরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫দা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সেরোং ভেং ভীলেজদা ৱিভিং সেন্টর অমা শঙ্গাখ্রে।

অসিগুম্বা সেন্টর অসি মফম অসিদা হাংদোকপগী পান্দমদি মফম অসিগী মীয়ামগী স্কিল অদু হেন্না থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নবা অমদি স্কিল হেনগৎহন্নবগীদমক হাংদোকখিবনি।

সেন্টর অদু শঙ্গাবগী থৌরমদা ভীলেজ চ্যেরমেন, খুঞ্জাশিং অমসুং কুকি ৱিমন্স ওর্গনাইজেসনগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি। অসাম রাইফলসকী থৌওং অদু মখোয়না থাগৎপা ফোঙদোকখি অমদি অসিগুম্বা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎপীরক্লিবা অসিবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## ‘বি জে পি এন্তি নাগা ওইদে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭(ঐচএনএস): য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (এম ও এস) ট্রাইবেল এফেয়র্স সুদরসন ভগৎনা হায়খ্রে ভারতিয়া জনতা পার্টি অসি এন্তি খৃষ্টান নৎত্রগা এন্তি নাগা ওইদে। অসিগুম্বা ৱাফম কয়া ফোঙদোল্লিবা অসি পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা প্রোপেগন্দানি হায়না মরাল শীখি।

বি জে পি নাগালেন্দগী জেনরেল সেক্রেটরি (মিদিয়া) জাংশিনলুন গোলমৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নাগালেন্দদা নুমিৎ ৩নিগী খোঙচৎতা লাকখিবা সুদরসন ভগৎনা বি জে পি হায়বা পার্টি অসি মপুং ফানা সেক্যুলর ওইবা, লাইনিং খূদিংমকপু ঈকায় খুম্নবা, কাষ্ট অমসুং ট্রাইব খূদিংমকপু অমত্তা ওইনা খুন্নাই অসিদা পুনশিন্দুনা অকনবা নেসন অমা শাগৎনবা হোৎনরিবা পার্টিনি। লাইনিং লাইশোল অমসুং ফুরুপকা মরী লৈনবা প্রোপেগন্দা শন্দোকপা অসি য়ানিংদে।

# মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী জোইন্ট সেক্রেটরিবু কুকিশিংনা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭(ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ জোইন্ট সেক্রেটরি সাত্যন্দরনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী নাথেলজাংদা লৈবা ইবিনেজর পিছ কেম্পতা কুকি নেসনল ফ্রন্ট দেজিগ্নেটেদ কেম্পতা থুংলবদা হরাও তয়াম্না ওকখ্রে।

মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম্না মহাকপু নাৎ অমসুং চৎনবীগী ঈকায় খুম্নবা য়াওনা হরাও তয়াম্না ওকখি। এম ঐচ এগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৪৫ রোম তাবদা খোর্জাং টয়া প্লে গ্রাউন্দদা মহাক্লা তোংলকপা হেলিকোপ্টর অদু তাবা মতমদা ট্রম্পেটশিং খোংদুনা, দ্রম থিন্দুনা হরাও তয়াম্না ওকখি।

কুকি নুপীশিংনা সিনিয়ার আই পি এস ওফিসার অসিবু লৈ পরেং হুক্তুনা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা কুকি চীফশিংনা নাৎকী ওইবা সোল সাইপিখুপ খুদোল তমখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ জোইন্ট সেক্রেটরি সাত্যন্দরনা ইন্দো-কুকি পোলিটিকেল দাইলোগপু অহানবা চ্যেরমেন ওইদুনা মীফম পাঙথোক্কনি। মহাকপু ডা. জে সুরেশবাবু এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হোম) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা তেংবাঙগনি। সূ চৎনরিবা গ্রুপশিংগী জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপকী চ্যেরমেনসু মহাক্লা ওইরিবনি অমসুং ৱারী শানবা অদুদা দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াগনি হায়রি।

কুকি ইনপিগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী কুকি লূচিংবশিং মরুওইনা কুকি নেসনল ফ্রন্টকী লূচিংবশিংনা জোইন্ট সেক্রেটরি সাত্যন্দরগী ইবিনেজর পিছ কেম্পতা লাকপগী খোঙচৎ অদুবু তরাম্না ওকখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুবু নীংশিংনবা কে এন এফনা য়ুংবা মোনোলিথ অমদসু মহাক্কী খুৎয়েক পীগনি। মতুংদা কেম্প অসিদা ৱারী কয়া শানদুনা হৌজিক লৈরিবা ফীভমগী মরমদা পাউদমহনগনি হায়রি। সূ খুৎয়েক পীনবা চহী ৮গী মতুংদা গভর্ণমেন্টনা তোঙানবা ইন্টরলোক্যুটর অমা হাপ্তুনা ৱারী শাননবা হোৎনদবনা ৱারী শানবগী খোঙজং থিন্থহনবনি। মহাক্লা ষ্টেট অসিদা লৈরিঙৈদা কুকি লূচিংবশিংগা ৱারী শানদুনা ইস্যু অসিগী মরমদা নৈনগনি হায়রি।

কুকিগী ইস্যু ওইরবসু গভর্ণমেন্ট অসিনা য়াম্না থৱায় য়াওনা য়েংশিল্লি। মরম অসিনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা পোলিটিকেল দাইলোগ হৌগদৌরিবনি। মসিনা কুকি য়াওনা খুন্নাই অসিগী মীওই কাঙলূপ খূদিংমক্তা কান্নবা ফংহনগনি হায়না জোইন্ট সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ৱারী শানদুনা য়ানবা পুরকপা পামই। লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা অমসুং চাউখৎপা পুরক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা উপায়দি ঈং-তপ্পা হঞ্জিনবা হায়বা অসিতনা ওইগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

য়ু পি এফকী স্পোক্সপার্সনসু ওইরিবা কে এন এফকী জেনরেল সেক্রেটরি অরোন কিপগেননা হায়খি, ঐখোয়গী পোলিটিকেল ইস্যু অমা লৈবগীদমক ষ্টেটহুদ ফংনবা হোৎনবদা ঐখোয়না খুৎলাই পায়দুনা লাল হৌরিবনি। ঐখোয়গী কোষ্টুম, নাৎ, চৎনবী অমসুং ট্রেদিসনশিং অদু মনীং তম্বা ইন্দিয়াগী ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ফ্রেম ৱার্ককী মনুংদা থম্বা ঙমগনি। হৌখিবা চহী খরা অসি কুকিগী খুৎলাই পায়বা ঈহৌগী ইস্যু অসিগী মরমদা গভর্ণমেন্টনা খন্নরক্কনি হায়দুনা খাঙদুনা লৈরকপনি। লো এন্দ ওর্দরগী ইস্যুনা মরম ওইদুনা মতম চানা ৱারী শানবা মখা চথবা ঙমখিদবনি। লো এন্দ ওর্দরগী ইস্যু অসি পোলিটিকেল ওইবা ইস্যুনি। দেজিগ্নেটেদ কেম্পশিং হাংবা অমদি সূ খুৎয়েক পীনবনা কুকি খুৎলাই পায়বগী ঈহৌ অসি লোইশিনবা ঙমগনি। মরম অসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা কুকি খুৎলাই পায়বগী ইস্যু অসি শংদাইনবা সূবু ঈকায় খুম্নদুনা দেজিগ্নেটেদ কেম্পশিংদা লৈরকপনি।

মহাক্লা জোইন্ট সেক্রেটরি ওইরকপদগী ঙসি অসিনা অহানবা খ্বাইদগী নীংশিংনিংঙাই ওইবা নুমিৎ অমনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কে এন এফকী কুকি আর্মি কেম্পতা চত্তুনা মেমোরেবল ষ্টোন য়ুংদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ ওইরিবা জোইন্ট সেক্রেটরিনা সাইন তৌখি। কুকি সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং কুকি আর্মি য়াওনা জোইন্ট সেক্রেটরি সাত্যন্দরগী অহানবা খোঙচৎ অদুবু শীংথারদুনা মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কুকিগী ইস্যু অসি লোইশিন্নবা য়াম্না মরুওইনা লৌই হায়বদু উৎলে হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ২০০৮দা চহী ৮গী মমাঙদা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) খুৎ পীনখি অমদি কুমজা ২০১০দগী সূদা য়াওরিবা কাদরশিং দেজিগ্নেটেদ কেম্পতা লৈখিবগা লোয়ননা কুকি মীয়াম্না শরুক য়াদুনা পোলিটিকেল টোক চথদুনা কুকি পোলিটিকেল ইস্যু অসি ঈং-তপ্না লোইশিন্নবা হোৎনরকখিবা অসিবু থিন্থদনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

কুকি ইনপি মণিপুরনা জোইন্ট সেক্রেটরিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা কুকি পোলিটিকেল ইস্যু অসি অথুবা মতমদা শংদাইনবা পুরক্লবা তকশিনখি অমদি য়ু পি এফ অমসুং কে এন ও য়াওবা পোলিটিকেল দাইলোগ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগা চথগদৌরিবা অসিদা কুকি মীয়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

## লম্ফেলগী অকোয়বদা লু-নানবগী দ্রাইভ চথখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭(ঐচ এন এস): লম্ফেলপাৎকী ৮৬ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী ওফিসার অমসুং ট্রুপশিংনা ঙসি লম্ফেলদা লু-নানবগী দ্রাইভ চথখ্রে।

লম-তু শীৎ-শেংদুনা লু-নানবগী চথখিবা কেম্পেয়ন অদু সী আর পি এফকী মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী আই পি জি বিক্রম সেহগলগী মীৎয়েং মখাদা চথখিবনি হায়রি।

স্বাছতা হি সেবাগী শরুক অমা ওইনা চথখিবা কেম্পেয়ন অদু মফম অদুগী মীয়ামগা লোয়ননা লু-নান্না অমসুং অমোৎ-অকায়শিং লৌথোক্তুনা অকোয়বগী ফীভম লু-নান্না থমদুনা লায়না-তিন্না লৈতবা, হকচাং ফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

৮৬ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কন্মান্দেন্ট নরায়ন বলাইনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কেম্পেয়ন অসি মফম অসিগী অকোয়বগী ফীভম লু-নান্না থম্নবগী ৱাখল তাহন্নবা পাউজেল পীবগী শরুক অমনি।

বট্টালিয়ন অসিনা লম-তু শেংবগী থবক পাঙথোক্তুনা লাক্লি অমসুং দ্রাইভ অসি মখা তানা চথখিগনি। মফম অসিগী মীয়াম্নসু অসিগুম্বা অকোয়বগী ফীভম লু-নান্না থম্নবগী কেম্পেয়ন অসিদা শরুক য়ানবা আপিল তৌখি।